# ইসরোনা থা ১২ গী মনুংদা মিসল ১২ পাঙথোক্লবা হোৎনরি



***ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৬ ঃ*** ইন্দিয়ান স্পেস রিসার্চ ওর্গনাইজেসন (ইসরো) না চৎলিবা চহী ইং ২০১৮ অসি খ্বাইদগী হেন্না থবক চিনবা চহী অমা ওইনা লৌরি। থা খুদিংমক্তা সেটিলাইট কাপখৎনবা থৌশিল পায়খৎপগা লোয়ননা চৎলিবা চহী অসিগী এপ্রিল ১২ ফাওবদা মরু ওইবা কম্ম্যুনিকেসন সেটিলাইট অহুম কাপখৎখ্রে হায়রি।

থা খরা অসিদা কাপখৎখিবা সেটিলাইটশিং অদুগী মনুংদা শীংথানিঙাই লইরবা রেমোট সেন্সিং সেটিলাইট কারটোসেট–২, আই আই এম এস এস–১১ অমসুং জি সেট–৬ এ য়াওরি। হায়রিবা সেটিলাইটশিং অদু পি এস এল ভি–সি ৪০, জি এস এল ভি–এফ ০৮ অমসুং পি এস এল ভি–সি ৪১ রোকেটনা পুখৎখিবনি।

মথংগী থা নিপান অসিদা ইসরোদা সেটিলাইট মাপল কাপখৎনবা থৌরাং তৌরি হায়না ইসরোগী চিয়ারমেনগী সিভনना অন্ধ্র প্রদেশকী শ্রীহরি কোতাদা লৈবা ষটিস ধাৱন স্পেস সেন্টরদা পাউ মীশিংগা উন্নবদা ফোঙদোকখি। হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিনা তাক্লিবদি ইসরোনা চৎলিবা চহী ইং ২০১৮ অসিদা শীংথানিঙাই থৌশিল অমা ওইনা থা ১২ গী মনুংদা মিসল ১২ পাঙথোক্লবা পান্দম থল্লি হায়রি।

চৎলিবা চহী অসিদা পাঙথোক্কদবা মিসলশিং অদুগী মনুংদা খ্বাইদগী চাউবা মিসন অমা ওইনা থাগী লৈমায়দা অনীশুবা ওইনা তারুনবা থৌশিল অদু পায়খৎপনি।

পাঙথোক্কদৌরিবা মিসনশিং অদু ইন্দিয়ানা চাদা ১০০ শেম শাবা মিসনশিং ওইগনি। চন্দ্রায়ন–১ সেটিলাইটনা থাগী ওর্বিত্তা লৈহন্নবা থৌশিল পায়খৎলি। অদুগা চন্দ্রায়ন–২ মিসন অসিনা অতোপ্পা থাগী ওর্বিট অমদা থম্নবা হোৎনরি।

ইসরোনা পায়খৎলিবা অনৌবা মিসন অদুগী শরুক অমা ওইনা থাগী লৈমায়দগী কিলোমিটর ১০০ রোমতমক লাপ্পা ওর্বিত্তা সেটিলাইট অদু থম্নবা হোৎনরি।

কিলোমিটর ১০০ রোম লাপ্পা ওবিৎ অদুদা সেটিলাইট অদু ফংলবা মতুং ওর্বিতর অদুদগী থাগী লৈমায়দা তারুগদবা রোবর জেক তৌননবা হোৎনগনি। থাগী লৈমায়দা অশোয়–অঙাম য়াওদনা লেন্দিং তৌরবা মতুং রোবর অদুনা চপ চাবা মথৌ তৌদুনা চকা তরুক পানবা রোবর অদুনা থাগী লৈমায়দা চৎতুনা য়েংশিনগনি। রোবর হায়রিবা থাগী লৈমায়দা থিজিন হুমজিনবগী থবক পায়খৎকদৌরিবা মেছিন অদু চকা তরুক পাল্লি। রোবর অদুনা মহাক্না তারিবা লৈমায় অদুগী অকোয়বা মফমশিংদা চত্তুনা য়েংশিনগনি। লোয়ননা য়েংশিনবা অদুদা ফংলকপা দেতাশিং গ্রাউন্দ কন্ত্রোলদা থারকপগা লোয়ননা থাগী লৈমায়গী লৈহাউশিং য়েংশিনবদা মতেং ওইগনি।

চন্দ্রায়ন – ২ সেটিলাইট অদু কিলোগ্রাম ৩,২৯০ লূম্মী। সেটিলাইট অদুনা থাগী অকোয়বদা লৈবা ওর্বিট অমদা কোয়দুনা লৈবগা লোয়ননা হান্নना শেম শারবা রোবর থাগী লৈমায়দা তাহনগনি।

রোবরনা থাগী লৈমায়দা থিজিন হুমজিনবগী থবক চখবগা লোয়ননা থাগী লৈবাক্তা য়াওরিবা মিনরেল, ইলিমেন অমদি হাইড্রোজেন তুংশিনবা লোয়ননা মপং ওইনা ফমজিন্দুনা লৈরিবা ঈশিংশিংগী দেতাশিং থারক্কনি হায়রি।

চন্দ্রায়ন ২ মিসন অদু জি এস এল ভি–এফ ১০ রোকেটনা পুখৎখিনবা পান্দম থল্লি। জিওসিনক্রোনস সেটিলাইট লোঞ্চ বিহকল অদু ইন্দিয়ানা শাবা অমসুং শীজিন্নবা য়ারবা খ্বাইদগী চাউবা রোকেট মখল অমা ওইরি।

জি এস এল ভি রোকেট অদু লৈবাক অসিনা শেম শাজবা খ্বাইদগী ফরবা রোকেট অমা ওইরিবনি হায়রি।

## কাশ্মীরগী গুরেজদা লৈবা নুপামচা অমনা অনৌবা কলম অমা পুথোকখ্রে



***শ্রীনাগর, এপ্রিল ১৬ ঃ*** অৱাং থংবা কাশ্মীরগী গুরেজ তম্পাক্তা লৈবা চহী ৯ খক্তা ঙাইরিবা মুজাফর অহমদ খান কৌবা মহৈরোয় অমনা ইখিবা ৱাহৈ মশীং থিবা ঙম্বা অনৌবা কলম অমা পুথোকখ্রে।

অনৌবা কলম অদুগী মনীং থংবা শরুক্তা য়াওরিবা দিভাইস অদুনা করিগুম্বা কলম অদুনা উন্ননিঙাই ওইবা অহানবা ওইনা ইবা হৌখিবা মতুং ৱাহৈ মশীং খঙদোক্লবা থবক তৌরি।

কলম অদুগী অপীকপা এন সি গী মোনিটরদা ইখিবা ৱহৈশিং অদুগী মশীং চোংথোরক্কনি হায়রি। মুজাফর অহমদ খান কৌবা মহৈরোই অদু লমদম অদুদা লৈবা স্কুল অমদা ক্লাস থ্রিদা তম্লিবনি হায়রি।

কলম অদুনা ইখিবা ৱাহৈ মশীংশিং অদু মশীং থিবগা লোয়ননা মোবাইল ফোন্দা মেসেজ ওইনা খঙহল্লকপা য়াবগী খুদোংচাবা লৈ হয়রি

মুজাফারনা এ এন আইদা ফোঙদোকখিবদা মহাক্না স্কুলগী পরীক্ষাদা মার্ক হন্থনা ফংলকখিবা মতুং মহাক্না ইখিবা ৱাহৈশিং অদু মশীং থিনবা অমসুং চপ চাবা ফিভম অমা খঙদোকপা পাল্লি।

মহৈরোয় অদুগী খ্বাইদগী নৌবা পরীক্ষাদা মার্ক হন্থনা ফংবা উখি। মদুদা মহাক পোত্থাবফম খঙখিদে। মতম অদুদগী হৌনা অঙাং অদু মহাক্না ইখিবা ৱাহৈশিং অদু মশীং থিবা য়াবা করিগুম্বা থবক খরা তৌনবা হোৎনখি। মদুগী মনুং ওইনা কলম অমা লৌতোক্তুনা মহাক্না ইখিবা ৱাহৈশিং অদু মশীং থিবা য়াবা ফিভমদা লৈহন্নবা হোৎনখি হায়রি।

## দেনিজ নুপী অমা ইজৎ মাঙহনখিবগা মরী লৈননা মীওই অমা শিদ্রি ফাওবা জেলদা থম্নবা য়াথং পীখ্রে

***ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৬ ঃ*** দেনিজ নুপী অমা ইং ২০১৪ দা লৈবাক অসিগী কোনুং ন্যু দিল্লিদা ইজৎ মাঙহনখিবগা মরী লৈননা দিল্লি হায়কোর্টনা গেঙ্ক রেপ অদুদা চেন্নবা মীওই মঙাগী মথক্তা পীখিবা দন্দি অদু চুম্মী হায়না শৌগৎখ্রে।

মীওইশিং অদুনা কোর্ট অদু মখোয়দা পীরিবা দন্দিগী মতাংদা আপিল তৌরকখিবা অদু হায়কোর্টনা ককথৎখিবগা লোয়ননা মীওইশিং অদু শিদ্রিবা ফাওবা জেলদা লৈবগী দন্দি পীননবা ৱাফম অদু শৌগৎখ্রে।

জষ্টিস এস মুরালিধর অমসুং আই এস মেহতাগী বেঞ্চ অমনা বিক্তিম অদুগী দি এন এ চাংয়েং তৌখিবগী ৱারোলশিং য়েংশিনবগা লোয়ননা মতিক চাবা খুদম চাংদম ফংখি। অদুনা মরম ওইরগা মীওইশিং অদুদা পীখিবা দন্দি অদু শৌগৎখিবনি হায়রি।

কোর্ট অদুনা ফোঙদোকখিবদা কেস অদুগী হিয়ারিং চথরকপদা মিৎনা উহৌবনি হায়বা মীওইশিংনা পীবা ৱারোলশিং অদু নৈনখি। থৌদোক অদুদা মরাল লৈরবা মীওইশিং অদুনা ক্রাইম চথখি হায়বদু ময়েক শেংলে। ফিভম অদু ঙাকপিবা য়ারোইদবা অমনি।

দি এন এগী রিপোট ফংলবা অতূং খুদম চাংদমশিং য়েংলবা মতূং ট্রাইয়েল কোর্ট অদুনা মীওইশিং অদু মরাল লৈরে হায়বদু চুম্লে হায়না ফোঙদোকখি। মীওইশিং অদুনা থাঙ্গৎলকখিবা ৱাকৎশিং অদু কোর্টনা দিসমিস তৌখি হায়রি।

ইং ২০১৬ কী জুন ১০ দা ইজৎ মাঙহনবগী থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওই মঙা মপুন্সি চূপ্পা ফাদোক তাবগী দন্দি পীখি। মীওইশিং অদুনা চথখিবা থৌওং অদু মীওইবগী লীচৎকী ৱাংমদা লৈবা তমথিবা থৌদোক অমনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা মীওই মঙা অদু ইন্দিয়ান পেনাল কোদকী সেক্সন ৩৭৬ (দি), ৩৯৬ (হুরান চিঙ্গি তৌবা), ৩৬৬ (মী ফাবা), ৩৪২ (অরানবা থবক চথদুনা মী ফাজিনবা), মীহাৎ মীপুনবগী ৱাখল্লোন চেনবা ক্রিমিনেল এক্তকী মখাদা মরাল লৈরে হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে।

পুলিসকী পাউ মতূং ইন্না দেনিজদগী লম কোয়বা লাকখিবা নুপী অদু ইং ২০১৪ গী জনুৱারী ১৪ দা মীওই খরনা ফাদুনা মপোৎ মচৈ মুনবতা নত্তনা ইজৎ মাঙহনখি হায়রি।

## লান্মী অমা হিজবুল মুজাহিদিন্দা য়াওখ্রে

***শ্রীনাগর, এপ্রিল ১৬ ঃ*** খা–থংবা কাশ্মীরদগী মাঙখিবা ইন্দিয়ান আর্মিগী লান্মী অমা টেরোরিষ্ট ওর্গনাইজেসন হিজবুল মুজাহিদিন্দা য়াওখ্রে হায়বা খঙবা ঙম্লে হায়না পুলিসকী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

ইদ্রেস মির কৌবা ইন্দিয়ান আর্মিগী জম্মু অমসুং কাশ্মীর লাইট ইনফেন্টরিদা পোষ্টিং তাবা মীওই অদু টেরোরিষ্ট ওর্গনাইজেসন অমদা য়াওখ্রে হায়বা খঙবা ঙমখি। মহাক য়ুনিট অদুদগী থোকখ্রবা মতূং মতম শাংনা থিবা খঙদনা লৈরকখিবনি। সোপিয়ান্দগী মাঙখিবগী খোঙ্গুল লীননবা হোৎনবদা থিজিন হুমজিনবগী থবক কয়া চখরি। মীওই অদু লমদম অদুগী নহা ওইরিবা মীওই অনীগা লোয়ননা টেরোরিষ্ট ওর্গনাইজেসন অদুদা য়াওখিবনি হায়বা খঙবা ঙম্লে। লান্মীগী পাউ মতূং ইন্না মীওই অদু মাঙখ্রবা মতূং থি হুম্বগী থবক চখদুনা লাকখি। মহাক টেরোরিষ্ট ওর্গনাইজেসন অদুদা য়াওখ্রবরা হায়বদু চপ চানা খঙবা ঙমদনা লৈরকখি।

পুলিসকী পাউ মতূং ইন্না মির কৌবা লান্মী অদু জর্খন্দা পোষ্টিং তাদুনা লৈরিঙৈ মতমদগী হৌনা মশাদা পোত্থাফম খঙদবা ফিভম অমা উবা লৈখি। মদুগী মতূং কাশ্মীরগী সোপিয়ান্দা থবক তারবা মতূং থিবা খঙখিদবনি হায়রি।

## বরমরদা নহা ওইরিবা মীওই অহুক উ পান্বী অমদা থৌরী য়ান্দুনা শিরম্লে

***বরমর, এপ্রিল ১৬ ঃ*** রাজস্থানগী বরমর দিষ্ট্রিক্টতা তুজুংনিঙাই ওইবা থৌদোক অমা ওইনা নুপী অনী য়াওনা নহা ওইরিবা মীওই অহুম থৌরী য়ান্দুনা শিরম্লে।

মীওই অহুম অদুগী হকচাং অদু রাজস্থানগী বরমর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা অমসুং মনুং হুঙ্গিন্না লৈবা খুঙ্গং স্বারুপ কা তালা খুঙ্গংদা লৈবা উ পান্বী অমদা থৌরী য়ান্দুনা লৈরম্বা থেংনখ্রে। নুপীমচা অনী অদু দলিট কাঙলূপ্তা লৈবা চহী ১২ দগী ১৩ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইনি অদুগা নুপামচা অদুনা চহী ১৭ শুরা মীওইনি হায়রি।

মখোয় অহুমগী হকচাং অদু খুঙ্গং অদুগী মতাইদা লৈবা উ পান্বী অমদা থৌরী য়ান্দুনা লৈরম্বা মীয়াম্না থেংনখি। থৌদোক অদুগী মতাংদা পুলিসনা থিজিন হুমজিনবা হৌবগা লোয়ননা খঙবা ঙমখিবদি নুপীমচা অনী অদু হায়রিবা নুপামচা অদুগা নুংশিনবগী মরী লৈনবনি হায়রি।

লৈখিদ্রবা নুপীমচা অমগী অপোকপনা ফোঙদোরকখিবদা মহাক্কী মচানুপী অদু এপ্রিল ১১ গী নুমিদাংদা মহৌশাগুম তুম্বা চঙখি। অদুম ওইনমক মহাক মথংগী অয়ূক্তা থৌরী য়ান্দুনা লৈরম্বা থেংনখি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা নুপীমচা অদুগী মখুরানা মী হাৎপগা মরী লৈননা কেস অমা থাঙ্গৎলকখ্রে হায়রি।

নাকল অমরোমদা লৈখিদ্রবা নুপামচা অদুগী অপোকপনা ফোঙদোরকখিবদা মহাক্কী মচানুপা অদু খুঙ্গং অদুদা লৈতে। শেল তান্নবগীদমক থবক তৌবা চৎখিবনি। মহাক খূৎশুমন তান্দুনা হিংবা মীওই অমনি। করম তৌনা শিরম্লিবনো হায়বদু খঙবা ঙমদে হায়রি।

# অষ্ট্রেলিয়াদা উনশা চাথৎপা অঙকপা লায়চৎ অমা শন্দোরক্লে



***ভিক্টোরিয়া, এপ্রিল ১৬ ঃ*** উনশা চাথৎপা অলসর মফম অমা অষ্ট্রেলিয়াগা ভিক্টোরিয়া ষ্টেটতা শন্দোরকপা থেংনবগা লোয়ননা ডাক্তরশিংনা হীরম অদুগী মতাংদা অথুবা মতমদা থিজিন হুমজিনবগী থবক চখনবা খঙহনখ্রে।

এক্সপার্টশিংগী মতূং ইন্না অফ্রিকাদা তোয়না শন্দোকপা উনশাগী লায়না বুরুলি অলসর থেংনখিবা লৈখ্রে। হায়রিবা লাইনা মখল অদু অতোপ্পা মফমশিংদা শন্দোরকপগী ফিভম অমা থেংনৈ। লায়না মখল অদু করম তৌনা ঙাকথোক্কদগে হায়বা ডাক্তরশিংনা খঙবা ঙমদ্রি। লাইনা অদু বেক্টিরিয়া মখল অমনা উনসাগী টিসুশিং মাঙহন তাকহনবা লাইনা মখল অমনি।

ষ্টেট অদুদা হৌখিবা চহীদা লাইনা অদুনা মীওই ২৭৫ শোকহনখিবা থেংনখি। ইং ২০১৬ ফাওবদা লায়না মখল অদু চাদা ৫১ য়ৌনা শোকহল্লকপা থেংনখি।

ইনফেক্সন দিজিজেস এক্সপার্ট ডাক্তর দেনিয়ল ও ব্রিয়েননা হায়, মাইক্রো বেক্টরিয়ন অলসেরান দিজিস নৎত্রগা বুরুলি অলসর হায়রিবা লায়না মখল অদু খ্বাইদগী হেন্না তমথিবা মখল অমা ওইরি।

ট্রোপিকেল লমদমদা অলসর মখল অদু করম তৌনা পাক শন্না শন্দোরক্লিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। বেক্টিরিয়া মখল অদুনা তোক্সিন মখল অমা পুথোক্তুনা মীওইবগী উনশাদা চাউনা অমাঙ অতা থোকহল্লি। উনশাগী মখাদা লৈবা অপীকপা ঈ উতোংশিংদা বেক্টরিয়া অদুনা শোকহন্দুনা মীওইবগী উনশাদা চাউনা অমাঙ–অতা থোকহল্লি।

অলসর অদু থুনা য়াংনা পাকথোক চাওথোরকপগা লোয়ননা মীওই অমবু মপূং ফানা দিসফিগর ওইহনবা নৎত্রগা দিসএবল ওইহল্লি হায়রি।

মরু ওইনা খোঙ অমসুং খূৎতা নাগনবা উনশাগী লায়না মখল অদুনা করিগুম্বা কালদা মায় অমসুং হকচাংগী শরুকশিংদসু শোকহল্লি। লায়না মখল অদু মীওইবদা করম তৌনা শন্দোরক্লিবনো হায়বদু ডাক্তরশিংনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা খঙবা ঙমদ্রি।

লমদম অদুগী ঈশিং নুংশিৎকী ফিভম অমসুং লৈমায়গী ওইবা ফিভমনা লায়না অদু শন্দোকপগী মরম ওইহনবা য়াই হায়বগী থাজবা লৈ হায়রি।

কাঙশিংনা বেক্টরিয়া মখল অদু পুদুনা শন্দোক্লম্বা য়াবগী ওইথোকপসু লৈ। অষ্ট্রেলিয়াগী মেদিকেল জর্নেলদা ডাক্তরশিংনা ফোঙদোরকখিবদা লায়না মখল অদু থেংননবগীদমক লৈঙাক্না মখা তানা থিগৎনবা অহেনবা শেল থাদবগী তঙাই ফদবা লৈ হায়রি।

অষ্ট্রেলিয়াদা লায়না মখল অদু করম তৌনা লায়চৎ অমা ওইনা শন্দোরক্লিবনো হায়বগী মতাংদা কনা অমত্তনা অশেংবা ৱাপম পীবা ঙমদে। লংলা লংজিন ফংবা ঙমদ্রবসু মীয়ামদা খঙহনবা য়ারিবদি লায়না মখল অদু অঙকপা অমনি।

অতোপ্পা থিওরি অমগী মতূং ইন্না লায়না মখল অদু নোং চুগনবা, লৈবাক লৈহাও মখল অমসুং লমলক্কী ওইবা পুন্সি মহিংগা মরী লৈনগনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা লায়না অদুগী মরমদা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। লোয়ননা খুদোংথিনিঙাই ওইবা থাক অমদা লৈরি হায়রি।

## রুসিয়াগী পাউমী অমা অঙকপা মওংদা শিরে

***সোস্কো, এপ্রিল ১৬ ঃ*** রুসিয়াগী পাউমী অমা মথোল মরি ৱাংবা ফ্লেট অমদগী তারত্তুনা শিরে। মেক্সিম বোরোদিন কৌবা রুসিয়াগী ইনভেষ্টিগেটিভ জর্নেলিষ্ট অদুনা সিরিয়াদা মীওই কয়া শিখিবগী মতাংদা পাউ কয়া পীখি। মহাক অঙকপা মওংদা মহাক্না লৈরিবা বিল্ডিং অদুগী মঙাশুবা মথোন্দগী তারত্তুনা লৈখিদ্রে।

য়ূম্লোন্নবশিংনা পাউমী অদু শোক্তুনা লৈরম্বদগী লায়কন্ননবা হোস্পিটালদা পুখৎখি। অদুম ওইনমক মহাক অশোকপা অদুনা মরম ওইরগা লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে। য়ে কে টেরিনবর্কতা লৈবা মীওইশিং অদুনা পাউমী অদু ৱাখল তাদনা লৈমায়দা তাদুনা লৈরম্বদগী লায়কন্ননবা হোৎনখি।

মীওই অদু করম তৌনা মঙাশুবা মথোন্দগী তারকখিবনো হায়বা খঙবা ঙমদে। মহাক্কী লৈফমদগী সুসাইট নোটনচিংবা অমত্তা ফংবা লৈতে। লোয়ননা মীশি অদু ক্রিমিনেলশিংগা মরী লৈনবগী ফিভমসু উবা ফংদে হায়রি।

লৈখিদ্রবা পাউমী অদুগী মরূপ মপাংশিংনা ফোঙদোরকখিবদা মহাক্না লৈরিবা ফ্লেট অদু সেক্যুরিটি ফোর্সনা থৌদোক থোক্লিবা নুমিৎ অদুগী নোংমগী মমাঙদগী ঙাক–শেন্দুনা লৈবা উখি হায়রি।

## ফম থাদোকখ্রবা বি জে পি গী মিনিষ্টরশিংনা মেহবুবা মুভটি ফম থাদোক্লবা তকশিনখ্রে

***জম্মু, এপ্রিল ১৬ ঃ*** জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী কাথুৱা লমদমদা চহী ৮ কক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমা ইকায় খূম্মবা মাঙহনখিবা অমসুং হাৎলম্বগী থৌদোক্কা মরী লৈননা জম্মু অমসুং কাশ্মীর লৈঙাক্কী বি জে পি মিনিষ্টর অনী ফম থাদোকখ্রে।

ফম থাদোকখ্রবা মিনিষ্টরশিং অদুনা ষ্টেট অদুদা থোকখিবা তমথিবা থৌদোক অদু য়েংলগা ফম থাদোক্কদবনি হায়না তকশিল্লকখ্রে। কাথুৱাদা নুপীমচা অমা হাৎলমখিবা থৌদোক্কা মরী লৈননা বি জে পি গা চুঙশিন্নরিবা জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী পি দি পি লৈঙাক্কী বি জে পি মিনিষ্টর অনী – ফোরেষ্ট মিনিষ্টর লাল সিংহ অমসুং ইন্দষ্ট্রি মিনিষ্টর চন্দ্র প্রকাস গঙ্গা ফম থাদোকখ্রবা মতূং ফোঙদোরকখিবদা ষ্টেট অদুদা উমংগী লৈঙাক অমগুম চখরি।

নুপীমচাশিং অশোয়–অঙাম থোকহন্দবা হায়বদু ঙাকপা ঙমদে। নুপীমচা কয়া শিখ্রে। হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি য়েংলগা চীফ মিনিষ্টর মেহবুবা মুভটি ফম থাদোক্কদবনি হায়রি।

ফম থাদোকখ্রবা মীওইশিং অদুনা হায়, মখোয়না লৈবাক অসিদা তংদু লৈতাবা ফিভম অমা লৈহন্নবগীদমক ফম থাদোকপনি। নুপীমচাশিংগীদমক অচুম্বা ৱায়েল পীগদবনি।

কাথুৱাদা চহী ৮ গী নুপীমচা অমা ফাদুনা পুখ্রবা মতূং নুমীৎ ৭ নিগী মতূংদা মহাক্কী অশিবা হকচাং ফংখি। মেহবুবা মুভটি ষ্টেট অদুগী হোমগী থবকসু পুরিবনি। মীয়ামগী পুন্সি মরু ওইনা নুপীমচাশিং ঙাক শেনবা ঙমদবা ফিভম অদু য়েংলগা মহাক ফম থাদোক্কদবনি হায়না হান্নগী মিনিষ্টর লাল সিংহনা ফোঙদোরক্লি।

লাল সিংহ অমসুং চন্দ্র প্রকাস গঙ্গা ইরাই নুমিত্তা ফম থাদোকখিবনি। লোয়ননা পার্টিগী লুচিংবশিং কাথুৱাদা চত্তুনা য়েংশিন্নবা ৱাফমসু ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি। কাথুৱাদা থোকখিবা তমথিবা থৌদোক অদু সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সি বি আই) না থিগৎহনগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখ্রবনি হায়রি।

## পিক্লিবা নুপীমচাশিং ইকায় খূম্নবা মাঙহনবগা মরী লৈননা রাহুল গান্ধীনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা ফাষ্ট ট্রেক্ট কেস লৌখৎনবা তকশিনখ্রে



***ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৬ ঃ*** কাথুৱা অমসুং উনাও রেপ কেসকী মতাংদা লৈবাক শিন–থুংনা খোঙজং চঙশিল্লক্তুনা ৱাথোক ওইরিঙৈ চৈরক অসিদা কংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি উন্নদুনা লৈবাক অসিগী মচানুপীশিং ওইরিবা পীক্লিবা নুপীমচাশিং ইকায় খূম্নবা মাঙহনবশিং অথুবা মতমদা মরালগী মতূং ইন্না দন্দি পীননবা ফাষ্ট ট্রেক্ট কেস লৌখৎনবা তকশিনখ্রে।

রাহুল গান্ধীনা ফোঙদোকখিবদা ইং ২০১৬ তা অঙাং ১৯,৬৭৫ ইকায় খূম্নবা মাঙহনখিবগী থৌদোক লৈখি। মদু লৈবাক অসিগী ওইনা খ্বাইদগী ইকায়নিঙাই ওইরবা থৌদোক অমনি।

মরাল লৈবশিং অথুবা মতমদা দন্দি পীননবা অমদি লৈবাক অসিগী মচানুপীশিংদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা অদুগুম্বা কেসশিং অদু অষ্ট্রেক্ট কেস ওইনা লৌননবা তকশিনখি হায়রি।

প্রাইম মিনিষ্টরগা উন্নখ্রবা মতূং কংগ্রেসকী লুচিংবা অদুনা জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী কথুৱা অমসুং উত্তর প্রদেশকী উনাওগী থৌদোকশিংদা চেন্নবা মীওইশিং নাম্থোকখিনবগী মফম লৈতে। অদুগুম্না থৌদোক অনী অদুনা লৈবাক অসিদা তংদু লৈতাদবা অমা থোকহল্লি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়, ক্রাইম খুদিংমক অচুম্বা ৱায়েলদা শীংনবা অমনি কংগ্রেস পার্টিনা অদুগুম্বা থৌদোকশিং অদুনা লৈবাক অসিবু ইকায়বা নংলে হায়খি।


## GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking : 12/03/18
Valid : 09/03/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 09.30 a.m

**Imphal LPG Service**
Booking : 17/03/18
Sl. No. 55836
Valid : 01/12/17
Stk : 450
Delivery at Heinoupok Godown

**Misao Gas Service**
Booking : 28/02/18
Valid : 13/02/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Hrangchal Gas**
Booking : 22/03/18
Valid : 20/03/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**M M Gas**
Booking : 21/02/18
Valid : 16/02/18
Stk : 918
Time : 07.30 to 10.30 a.m
Rate : Rs. 762.50/-

**R & H Indane Service**
Booking : 05/02/18
Valid : 23/01/18
Stk : 612
Time : 08.00 to 11.00 a.m

**Canchi Indane Service**
Booking : 13/03/18
Valid : 09/03/18
Stk : 612
Rate : Rs. 762.50/-
Time : 08.00 to 10.00 a.m

**Athokpam Indane Wangjing & Kakching**
Booking : 27/02/18
Valid : 08/02/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**J. Rongmei Gas, Wangoi**
Booking : 17/03/18
Valid : 13/03/18
Stk : 306
Time : 06.30 to 09.30 a.m

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 28/02/18
sl. No. 5480
Valid : 26/02/18
Sl. No. 5081
Stk : 306

**GBD Gas, Lamlong**
Booking : 19/02/18
Valid : 01/02/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 26/02/18
Valid : 14/02/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Khurkhul Heikham Indane**
Booking : 07/03/18
Valid : 27/02/18
Stk : 306
Time : 08.00 to 12.00

**Mahalakshmi Indane**
Booking : 01/03/18
Valid : 20/02/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Heirok Gas**
Booking : 27/02/18
Valid : 11/02/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.30 a.m


সনা–সুদোকু –১১৪২ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 9 | 8 | 2 | 3 | 7 | 1 | 4 | 6 |
| 7 | 3 | 4 | 1 | 6 | 9 | 5 | 2 | 8 |
| 6 | 1 | 2 | 5 | 4 | 8 | 7 | 9 | 3 |
| 1 | 4 | 5 | 7 | 8 | 6 | 9 | 3 | 2 |
| 2 | 7 | 6 | 3 | 9 | 1 | 4 | 8 | 5 |
| 3 | 8 | 9 | 4 | 2 | 5 | 6 | 7 | 1 |
| 4 | 2 | 7 | 6 | 5 | 3 | 8 | 1 | 9 |
| 8 | 6 | 1 | 9 | 7 | 2 | 3 | 5 | 4 |
| 9 | 5 | 3 | 8 | 1 | 4 | 2 | 6 | 7 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1143**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | | 9 | 4 | | | | | |
| | | 7 | | | | 6 | 5 | |
| | | | 1 | | | | | |
| | 9 | | | 6 | | | 3 | |
| | 3 | | 5 | | | 7 | 4 | 1 |
| | 7 | | | | 1 | | | 2 |
| | | | | 7 | 4 | 3 | | |
| | 4 | 2 | | | | | | |
| 9 | 1 | | 6 | | | | | |